# শিব থাপা অমসুং অতোপ্পা বোক্সর ৩ গোল্ড মেদল ফংদুনা ৱর্ল্ডগী ক্বালিফাই ওইখ্রে



বেলারি, সেপ্টেম্বর ২১ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা নুপাগী বোক্সর অসামগী শিব থাপা য়াওনা সঞ্জিট, দিপক অমসুং রোহিট কর্নাটাকাগী বেলারিদা চৎথরিবা নুপাগী নেসনল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা ঙসি গোল্ড মেদল ফংদুনা চহী অসিগী ওক্টোবর ২৪দগী নবেম্বর ৬ ফাওবা সর্ভিয়াগী কোনুং বেলগ্রেদতা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রে।

শিব থাপানা মহাক্কী ঙসি পাঙথোকখিবা কিলোগ্রাম ৬৩.৫গী কেটগোরিগী ফাইনেল বাউটতা সর্ভিসেস স্পোর্টস কন্ট্রোল বোর্দকী বোক্সর দলবির সিংহ টোমরবু য়াম্না হেনবা মওংদা ৫-০দা মায় পাক্তুনা গোল্ড মেদল ফংখিবনি।

নীংশিংবা য়াই, শিব থাপা কুমজা ২০১৫দা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখিবনি। লোয়ননা মহাক এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী মেদল ৫রক ফংবা ঙমখ্রবা বোক্সরনি। ঙসি পাঙথোকখিবা তোঙান-তোঙানবা ফাইনেল বাউটশিং অদুদা দেল্লীগী বোক্সর রোহিট মোরনা কমনৱেল্থ গেমসকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট মহমদ হুসামুদ্দিনবু কিলোগ্রাম ৫৭কী কাঙলূপ্তা মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি।

হৌজিক-হৌজিক এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়ন ওইরিবা সঞ্জিটনা হরয়ানাগী বোক্সর নবিন কুমারবু মায়থীবা পীদুনা সর্ভিসেস স্পোর্টস কন্ট্রোল বোর্দকী মেদল টেলিদা গোল্ড অমা হাপচিনবা ঙমখি।

কিলোগ্রাম ৫১গী কাঙলূপ্তা এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী সিলভর মেদল ফংবা ঙমখ্রবা দিপক কুমারসু গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি। মেন্স নেসনল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অসিদা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখ্রবা বোক্সরখূদিংমক সর্ভিয়াগী বেলগ্রেদতা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অদুদা শরুক য়াবগী খূদোংচাবা ফংখি। বোক্সরশিং অদুগী মরক্তা শিব থাপা খকনৎতনা অতোপ্পা গোল্ড মেদল ফংখ্রবা বোক্সরশিং অদুদি মখোয়-মখোয়গী করিয়রদা অহানবা ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ শরুক য়াগদৌরিবনি।

সর্ভিসেস স্পোর্টস কন্ট্রোল বোর্দনা পূন্না নেসনল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অদুদা গোল্ড মেদল ৮, সিলভর ৩ অমসুং ব্রোঞ্জ ১ ফংলগা মমাংগী চহীদা মখোয়না ফংখিবা টিম চেম্পিয়ন ওইবগী টাইটল অদু হন্দকসু দিফেন্দ তৌবা ঙমখি। লোয়ননা রেলৱেজকী মায়কৈদগী গোল্ড মেদল ২, সিলভর ৩ অমসুং ব্রোঞ্জ ২ ফংলগা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরগা দেল্লীগী মায়কৈদগী গোল্ড ১গা লোয়নননা ব্রোঞ্জ ৪ ফংলগা অহুমশুবা পোজিসন তাখি। দিপক কুমারনা চেম্পিয়নশিপ অদুগী খ্বাইদগী ফজবা বোক্সরগী মনা অদু ফংখি।

# রাজা রিথভিকনা ইন্দিয়াগী ৭০শুবা গ্রান্দমাষ্টর ওইখ্রে



ন্যু দেল্লী, সেপ্টেম্বর ২১ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী চেছ শান্নরোয় রাজা রিথভিকনা কুমজা ২০১৯দা অহানবা গ্রান্দমাষ্টর নোর্ম ফংখ্রবা মতুং চহী অসিগী হৌখিবা থাদা হঙ্গেরিদা পাঙথোকখিবা ইভেন্ট অমদা মহাক্কী অহুল্লকশুবা অমদি অরোইবা গ্রান্দমাষ্টর নোর্ম অদু ফংদুনা ইন্দিয়াগী ৭০রকশুবা গ্রান্দমাষ্টর টাইটল ফংখ্রে।

মশাগী চহী ১৭তা ঙাইরিবা তেলঙ্গনা ষ্টেটতগী হৌরকখিবা রাজা রিথভিকনা ইন্দিয়াগী ওইনা ৭০রকশুবা চেছ মশান্নগী গ্রান্দমাষ্টর ওইরকপা অদুদা ইন্দিয়াগী ইহান হানবা গ্রান্দমাষ্টর ওইখিবা ৱর্ল্ড টাইটল মঙারক ফংখ্রবা বিস্বানাথন অনন্দনা থাগৎপা ফোঙদোরকখি।

ওল ইন্দিয়া চেছ ফেদরেসনগী মায়কৈদগীসু রাজা রিথভিকনা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী নৌবা গ্রান্দমাষ্টরগী টাইটল ফংলকপদা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০১৯দা রাজা রিথভিকনা মহাক্কী করিয়রগী অহানবা গ্রান্দমাষ্টর নোর্ম ফংখ্রবা মতুং থা ১ ফাদনা অনীশুবা অমদি অহুমশুবা গ্রান্দমাষ্টর নোর্ম ফংলকপগা লোয়নননা মায় পাকপা ঙমখিবা চেছ শান্নরোয় অমা ওইরি।

নীংশিংবা য়াই, মহাক্না স্কালিকা ওপন চেছ টুর্নামেন্টতা মহাক্কী করিয়রগী অনীশুবা গ্রান্দমাষ্টর নোর্ম অদু ফংখিবনি। অদুগা হঙ্গেরিদা পাঙথোকখিবা ফর্ষ্ট সটর্দে গ্রান্দমাষ্টর টুর্নামেন্ট অদুদা মহাক্কী অহুমশুবা নোর্ম অদু ফংদুনা ইন্দিয়াগী ৭০শুবা গ্রান্দমাষ্টর ওইখি। চেছ মশান্নগী ওইনা ঈ এল ও রেটিং পোইন্ট ২৫০০ ফংবগী খূদোংচাবা অদু মহাক্না হঙ্গেরিগী টুর্নামেন্ট অদুগী মরিশুবা রাউন্দদা ফংখিবনি।

# সিজনগী দব্লিয়ু টি এ ফাইনেলসতা ওষ্ট্রেলিয়াগী এস্লি বার্টি ক্বালিফাই ওইখ্রে

ন্যু দেল্লী, সেপ্টেম্বর ২১ (এজেন্সী): মালেমগী ওইনা নুপীগী টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা সিজন অমা লোইশিল্লকপদা পাঙথোকপা দব্লিয়ু টি এ ফাইনেলসকীদমক্তা সিজন অদুগী ওইনা ফজবা শান্নরোয় নিপান খনগৎলগা লম্বা তৌনগদৌরিবা অদুদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী এস্লি বার্টি ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রে।

এস্লি বার্টি খক্তা নৎতনা মেক্সিকোনা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা দব্লিয়ু টি এ ফাইনেলস অদুদা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রবী অতোপ্পা শান্নরোয়শিং অদুদি ৱর্ল্ড নম্বর টু বেলারুসকী এরিনা সভালেনকা অমদি চহী অসিগী ফ্রেঞ্চ ওপন টাইটল লৌবা ঙমখিবী চেক রিপব্লিককী বার্বোরা ক্রাইচিকোভানি।

শান্নরোয় অহুমগী মশক খঙখ্রবা মতুং দব্লিয়ু টি এ ফাইনেলস অসিগীদমক্তা মখা তাবা শান্নরোয় মঙানা ক্বালিফাই ওইনবা সিজন অসিগী লেমহৌরিবা টুর্নামেন্ট খরা অসিদা শরুক য়াগদৌরিবনি।

পনবা য়াবদি, দব্লিয়ু টি এ ফাইনেলস অসি চৎলিবা চহী অসিগী নবেম্বর ৮দা চাইনাগী সিটি সেন জেনদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বদগী কোভিদ-১৯গী ওইবা অথিংবা কয়া লৈরকপা মরম্না মেক্সিকোগী সিটি গ্বাদালাজারাদা পাঙথোক্নবা মফম হোংখিবনি।



নুপীগী টেন্নিসকী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবী ওষ্ট্রেলিয়াগী এস্লি বার্টিনা ফোঙদোকখিবদা, কুমজা ২০১৯দা চাইনাগী সিটি সেন জেংদা পাঙথোকখিবা বিলি জিন কিং ট্রোফি লৌখিবা অদুনা মহাক্কী করিয়রগী খ্বাইদগী ফজবা তাঙ্কক অমা ওইখি হায়খি। মহাক্না মখা তাখিবদা, মালেমগী নুপীগী টেন্নিস শান্নরোয়শিংগী মনুংদা মকোক থোংবা শান্নরোয় ৮গী মনুং চনবা ঙম্বা অসিসু অচৌবা মায় পাকপা অমনি হায়বগা লোয়ননা মহাক্না মমাংদা দব্লিয়ু টি এ ফাইনেলসকী টাইটল লৌখিবা অদু দিফেন্দ তৌবা ঙমগদ্রা ঙম্লোইদ্রা হায়বগী ৱাফম অদুতা ঙাইরে।

এস্লি বার্টিকী কোচ ওইরিবা ক্রেক টাইজরনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমদা, দব্লিয়ু টি এ ফাইনেলস অসিদা শরুক য়াবগী খূদোংচাবা অদু চিংনবা য়ানা লৈরি। মরমদি থা অসিদা পাঙথোকখিবা য়ু এস ওপন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টতা এস্লি বার্টি ফিজিকেল অমসুং মেন্টল্লিগী ওইবা চোকথবা লৈখিবা অদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা মায়থীবা নংখিবনি। মরম অসিনা মহাক দব্লিয়ু টি এ ফাইনেলসতা শরুক য়াবগী তাঞ্জা অদুগা মথং চহীগী অঙনবদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন গ্রান্দস্লামগীসু য়েংগদৌরিবনি।

# নাপোলিনা উদিনেজবু পাঞ্জল ৪-০দা মায়থীবা পীদুনা মাঙজিল থাখ্রে







রোম, সেপ্টেম্বর ২১ (এজেন্সী): ইটালিদা পাঙথোকপা ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা সেরি এগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মরিশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা নাপোলিনা উদিনেজপু পাঞ্জল ৪-০দা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ টেবলদা মাঙজিল থাবা ঙমখ্রে।

ঙরাং অথেংবগী মেটচ অদু উদিনেজনা য়ূম্বু ওইরগা মখোয়গী হোম গ্রাউন্দ দাসিয়া এরেনাদা শান্নখি। অদুবু ক্লব অদুগী মায়কৈদগী নাপোলিগী শান্নরোয়শিংনা চথরকখিবা এটেকশিং অদু চাওনা মায়োক্নবা ঙমদনা শোৎখি। মদুগী খূদোংচাবা লৌদুনা নাপোলিগী মায়কৈদগী শান্নবগী ২৪ শুবা মিনটতা লোরেঞ্জো ইনসিগনেনা পীরকপা বোল অমদা ভিক্টর ওসিমহেননা অহানবা পাঞ্জল অদু চন্নগা মাঙজিল থাখি। মখা তারকপা শান্নবগী অহানবা হাফ অদুগী মিনট ১১ চঙশিল্লকপদা নাপোলিগী মায়কৈদগী চথরকখিবা এটেক অমদা কালিদো কোলিবালিনা য়াম্না মতাং চানা খায়দোরকপা বোল অদু টিমমেট অমির রামানিনা শান্নবগী ৩৫ শুবা মিনটতা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা উদিনেজপু মখোয়না ২-০দা মাঙজিল থারগা শান্নবা অদুগী অহানবা হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদসু য়ূম্বু ওইখিবা ক্লব উদিনেজকী মায়কৈদগী অহেনবা মশান্না পুথোক্নবা হোৎনবা অদু মায় পাকপা ঙমদ্রিঙৈ নাপোলিনা লাকশিল্লত্তুনা মেটচ অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চনবদা বোল সপ্লাই তৌখিবা কালিদো কোলিবালিনা মেটচকী ৫২শুবা মিনটতা টিমমেট ফাবিয়াননা পীরকপা বোল অদু পাঞ্জল ওইহনখিবদগী ৩-০দা মখা তানা উদিনেজপু মখোয়না মাঙজিল থাবা ঙমখি। পুংখায় অমা হেন্না মেটচ অদুগী অনীশুবা হাফ মখা চথরকপদা উদিনেজ পাঞ্জল চনবা য়াবগী খূদোংচাবা পীদনা নাপোলিগী দিফেন্দরশিং অদুনা মখোয়গী গোল অদুবু ঙাক শেন্দুনা লৈখি।

শান্নবা লোইগদবা মিনট ৬তা ঙাইরবা মতমদা পাঞ্জল ৩-০দা মাঙজিল থাদুনা লৈরবা নাপোলিগী মায়কৈদগী হার্বিং লোজানোনা মহাক্কী টিমমেট মারিও রুইনা পীরকপা য়াম্না মপা চাবা বোল অদু পাঞ্জল চন্দুনা ৪-০দা হেনখিবগা লোয়ননা মেটচ অদু থোইখি। নাপোলিনা সেরি এগী মেটচ ৪ শান্নবদা ৪মক মায় পাক্তুনা পোইন্ট ১২ ফংলগা মমাংগী চেম্পিয়ন ইন্টর মিলানদগী হেন্দুনা মাঙজিল থারি।

# লিওনেল মেসি য়াওদ্রবা বর্সেলোনা গ্রানাদাগা ড্রো চৎখ্রে





মাদ্রিদ, সেপ্টেম্বর ২১ (এজেন্সী): মালেমগী ফুটবোলদা মমিং লৈরবা অর্জেন্টিনাগী শান্নরোয় লিওনেল মেসিনা হান্না শান্নরম্বা স্পেনগী ক্লব বর্সেলোনানা মহাক য়াওদ্রবা মতুং সিজন অসিগী ওইনা লৈবাক অদুগী লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মকোক ওইরিবা লালিগাগী মরিশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা হান্নগী অশোনবা টিম অমা ওইরিবা গ্রানাদাগা পাঞ্জল ১-১ চন্নরগা ড্রো চৎখ্রে।

মেটচ অদু ঙরাং বর্সেলোনা ফুটবোল ক্লবনা য়ূম্বু ওইরগা মখোয়গী হোমগ্রাউন্দ কেম্প নৌদা শান্নখিবনি। য়াম্না থাজদবা মওংদা গ্রানাদাগী মায়কৈদগী সর্জিও এস্কুদেরোনা শান্নবগী হৌরকপা শুপ্পগী অনীশুবা মিনটতা পাস তৌখিবা বোল অদু টিম অদুগী শান্নরোয় দোমিনগোজ দ্বার্টেনা পাঞ্জল চন্দুনা বর্সেলোনাবু মখোয়না ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

লালিগাগী ওইনা টাইটল কয়া লৌবা ঙমখ্রবা বর্সেলোনা ফুটবোল ক্লবনা গ্রানাদাগা লম্বা তৌনখিবা মেটচ অদুদা পাঞ্জল শোত্থরগা লৈখিবা অদু অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা ইক্কেলাইজর অদু থিবা হোৎনবদা অৱাবা ওইখিবগা লোয়ননা মায় পাক্তনা ০-১দা শোত্থরগা মিনট ৪৫গী শান্নবা অদু লোইশিনখি।



অনীশুবা হাফতা বর্সেলোনাগী মায়কৈদগী অহেনবা লাল্লোং কয়া শীজিন্নরবসু অপীবা মতম অদু য়ৌগদবা য়ামশিল্লত্তুবা ফাওবদা মখোয়না চত্থখিবা এটেকশিং অদু কান্নবা ফংদনা লৈখি। অদুবু মেটচকী ৯০শুবা মিনটতা ঙরাংগী মেটচ অদুগী য়ূম্বু ওইখিবা বর্সেলোনাগী মায়কৈদগী রোনাল্ড অরোজোনা মহাক্কী টিমমেট পাব্লো গাভিরানা পীরকপা বোল অমদা মতম শাংনা ঙাইরকপা ইক্কেলাইজর অদু ফংখি। ইঞ্জুরি টাইমগী মিনট খরা হাপখিবা অদুদা নাকল অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈখিদবনা ১-১দা ড্রো চৎখি।

বর্সেলোনা মেটচ ৪ শান্নবদা ২ মায় পাক্লগা, ২ ড্রো চৎতুনা পোইন্ট ৮ ফংদুনা লালিগাগী পোইন্ট টেবলদা সেভিয়া, ওসাসুনা অমসুং মালোরকাগা পোইন্ট মান্নরি। অদুবু মখোয়না গোল দিফরেন্স য়েংনরুবদা সেভিয়াদগী অমা হন্থরগা ৭শুবা পোজিসনদা লৈরি। লালিগাগী ওইনা মেটচ ৫ শান্নবা ঙমখ্রবা রিয়াল মাদ্রিদনা মেটচ ৪ থোইরগা ১ ড্রো চৎতুনা পোইন্ট ১৩ ফংখিবগা লোয়ননা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরগা এটলেটিকো মাদ্রিদনা ২শুবদা লৈরি।

# নেসনল কুদো চেম্পিয়নশিপ অমদি ফেদরেসন কপতা মায় পাক্লক্লবা কুদো শান্নরোয়শিং ওকখ্রে



য়ৌরবুং, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচএনএস): হিমাচল প্রদেশনা য়ূম্বু ওইদুনা হৌখিবা থাগী ২দগী ৭ ফাওবা পাঙথোকখিবা ১১শুবা নেসনল কুদো চেম্পিয়নসিপ অমসুং অহানবা ফেদরেসন কপ ২০২১দা শরুক য়ারুবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিং অমদি ওফিসলশিং ওকপগী থৌরম অমা ইপা পোকপা অপোকপা ইমা মালেম অপোকপী (ইপি এ ইম এ) য়ৌরবুংগী য়ৌরবুং ভিলেজ দিভলপমেন্ট কম্মিতি (ৱাই ভি দি সি) অমদি য়ৌরবুং নিশাবন্দ মৈরা পায়বী (ৱাই এন এম পি) না খুৎশম্নরগা শীন্দুনা চীংখৈ নিংথৌ হরাওবুং য়ৌরবুংদা ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা নোর্থ ইষ্ট কুদো কাউন্সিলগী টেকনিকল দিরেক্টর দেবেন মোইরাংথেম, ৱাই এন এম পিগী প্রসিদেন্ট এস মণি, ৱাই ভি দি সিগী প্রসিদেন্ট এন জি সুরচন্দ্র, কুদো এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী প্রসিদেন্ট দাঃ ঐচ রোমেন অমসুং ৱার্কিং প্রসিদেন্ট জি এম ওইরিবা এন জি জিট খুমনচানা অথোইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা শান্নরোয়শিং অমদি ওফিসলশিংদা নাটকি লেংয়ান ফিয়ান্দুনা অমদি অচম্বা খুদোল পীদুনা ইকাই খুন্নখি।

১১শুবা নেসনল কুদো চেম্পিয়নশিপ ২০২১দা মণিপুরনা গোল্ড ৭, সিলভর ৭ অমসুং ব্রোঞ্জ ৪ ফংলকখি। অদুগা অহানবা ফেদরেসন কপ অদুদনা মণিপুরগী মায়কৈদগী গোল্ড ৭, সিলভর ৫ অমসুং ব্রোঞ্জ ৫ ফংদুনা ফজবা পর্ফোমেন্স উৎপা ঙমখি।

মায় পাক্লক্লবা মণিপুরগী কুদো শান্নরোয়শিং অদুবু ওকপগী থৌরম অদুদা দেজদা ফমখিবা ওফিসলশিংনা মখা তানা অফবা শান্নরোয় পুথোকপগী কাঙলোন কয়া শিনগনি হায়খি।

# সোসল ৱার্কর দিটেননা উখোংশাংগী মীয়ামদা শান্নবুং খুৎশিন্নখ্রে

থৌবাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচএনএস): থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী হৈরোক এসেমব্লি কন্সটিট্যুন্সিগী মনুং চন্না লৈবা উখোংশাং ৱার্দ নম্বর ৮গী হৌরক্লিবা নহাশিংগী চাওখৎ খোংথাঙগা মরী লৈননা সোসল ৱার্কর এন দিটেননা শান্নবুং অমা ঙসি মফম অদুগী মীয়ামদা খুৎশিন্নখ্রে।

টিনজং কাইজংদবা য়ূম্বুরেল অমা ওইদুনা মণিপুরবু মশক তাক্লবা অমদি অফবা শান্নরোয় কয়া শেমগৎসি হায়রদুনা এসেমব্লি কন্সটিট্যুন্সি অসিদা শান্ন-খোৎনবগী লমদা থৱায় য়াওজবা শান্নরোয় কয়াবুসু মতেং পাংগনি হায়না সোসল ৱার্কর এন দিটেননা মখাতানা ফোঙদোকখি।

পোলিটিকেলগী হুন্দোক-হুনজিন তৌদুনা ভোট ময়াদা মিনুংশি উৎলিবা সোসল ৱার্কর শাবা মীওইশিং অসি মশক খঙদোক্তুনা মায়থীবা পীরসি অমদি কোংগ্রেস অমসুং বি জে পিদগী তোক্তুনা মহাকপু শৌগৎপীরকপা মীওইশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

# অসাম রাইফলসকী ফিট ইন্দিয়া মুভমেন্ট

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচএনএস): আই জি এ আর (সাউথ)কী মীৎয়েং মখাদা অসাম রাইফলসকী চুরচান্দপুর সেক্টরনা বিষ্ণুপুর অমসুং চুরচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী লোকল য়ূঠ ক্লবশিংগা ফ্রেন্দলি ভোলিবোল মেটচ শান্নখিবগা লোয়ননা শান্ন-খোৎনবগী পোৎলমশিং য়েনথোকখ্রে।

ফ্রেন্দলি ভোলিবোল মেটচ অদু চুরচান্দপুরগী অসাম রাইফলস বটালিয়ন অমসুং দিষ্ট্রিক্ট অদুগী সাইচাং খুঙ্গংগী এম বি য়ূঠ ক্লবকী শান্নরোয়শিংনা শান্নখিবা অদুদা মফম অদুগী মীয়াম্না থৱায় য়াওনা মীৎয়েং তাখি।

# রিপোর্ট তৌরনবা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচএনএস): চৎলিবা চহী অসিগী নবেম্বর ২৭তগী ৩০ ফাওবা নেসনল মাষ্টর্স এথলেটিক এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা য়ু পিগী মাষ্টর্স এথলেটিক এসোসিএসননা ডা. শম্পুরনানন্দ সন্সকৃতি ষ্টেদিয়ম বারানাসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা অহুমশুবা নেসনল মাষ্টর্স এথলেটিক চেম্পিয়নশিপ ২০২১দা শরুক য়াগদৌরিবা মণিপুরগী মাষ্টর্স এথলিটশিংনা নবেম্বর ২৫ ফাওবগী মনুংদা চীংমৈরোংদা লৈবা বজার ইন্দিয়াগী গ্রাউন্দ ফ্লোরদা এসোসিএসন অসিগী ওফিস ওইনা শীজিন্নরিবা কুঞ্জরানী দুকানদা মশা-মশাগী চেচাং পুরক্তুনা রিপোর্ট তৌরনবা মণিপুর মাষ্টর্স এথলেটিক এসোসিএসনগী মায়কৈদগী খঙহল্লক্লি। লোয়ননা রিপোর্ট পীবা লাকপা মতমদা এথলিটশিং অদুনা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখিবগী সর্টিফিকেটশিং অদুসু লোয়নরক্কদবনি হায়না এসোসিএসননা ফোঙদোরক্লি।

# কেরলাগী মালাপুরমনা সন্তোশ ট্রোফিগী য়ূম্বু ওইরগনি

মালাপুরম, সেপ্টেম্বর ২১ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট, য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিং অমদি স্পোর্টস কন্ট্রোল বোর্দশিং য়াওনা পাঙথোকপা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা সন্তোশ ট্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ৭৫রক শুবা এদিসন অদু কেরলাগী সিটি মালাপুরমদা লৈবা পায়ানাদ ষ্টেদিয়মদা মথংগী চহীদা পাঙথোক্লগনি।

ৱাফম অসি কেরলা ষ্টেটকী স্পোর্টস মিনিষ্টর ভি অব্দুলরহমননা ফোঙদোকখিবনি। মহাক্কী ৱারোলদা ৭৫রকশুবা সন্তোশ ট্রোফি নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ য়ূম্বু ওইগদৌরিবা অসিনা ষ্টেট অদুবু ফুটবোল মশান্না অসিগী অনৌবা হব অমা ওইরগনি হায়খি।

ৱাফম অসি ঙরাং মহাক্না টিরুবনন্থপুরমদা মীদিয়াগী মীওইশিংগা ৱারী শানবদা ফোঙদোকখিবনি। ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মায়কৈদগী লুচিংখিবা মমাংদা ইন্টরনেসনল ফুটবোল শান্নরোয় অমসু ওইরম্লবা অদুগা ফেদরেসন অসিগী দেপ্যুটি জেনরেল সেক্রেটরি ওইরিবা অভিসেখ য়াদবকী টিম অদুগা ৱারী শানবদা ৱাফমশিং অসি ফোঙদোকখিবনি।

কেরলাগী স্পোর্টস মিনিষ্টর অব্দুলরহমননা মখা তানা মীদিয়া ইন্টরেক্সন অদুদা ফোঙদোকখিবদা, কোভিদ-১৯গী পেন্দমিক লৈখ্রবা মতুং ফগৎলক্লিবা ফীভম অসি য়েংলগা কেরলানা কোমথোকপা হীরম কয়া অমা থল্লকপা অদুগা মরী লৈননা সন্তোশ ট্রোফি ফোর নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ অদু য়ূম্বু ওইবগী খূদোংচাবা ফংবনি। ষ্টেট অদুনা অতোপ্পা নেসনল অমদি ইন্টরনেসনল ইভেন্ট কয়া অমসু য়ূম্বু ওইননবা শেম শাদুনা লৈরি। লোয়ননা কোচ অমদি রেফরিশিংগী ওইবা ট্রেনিং কয়াসু শরুক য়াগনি হায়খি।








# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE

## PUZZLE NO. 236



**GM Xiong, Jeffery (2709) - GM Mamedyarov, Shakhriyar (2764)**
**FIDE Steinitz Mem Open chess24.com INT, 2020.05.15**

1.e4 e5 2.Nf3 Nc6 3.d4 exd4 4.Nxd4 Qf6
5.Be3 Bc5 6.c3 Nge7 7.Bb5 O-O 8.Nxc6 dxc6
9.Bxc5 cxb5 10.O-O b6 11.Be3 Bb7 12.Nd2 c5
13.a4 bxa4 14.Qxa4 Rfd8 15.Rfd1 h6 16.Nf1 Qc6
17.Qxc6 Nxc6 18.Ng3 Na5 19.b4 cxb4 20.cxb4 Nc4
21.Bd4 a5 22.Rac1 b5 23.bxa5 Rxa5 24.Nf5 Bxe4
25.Nxg7...

**QUESTION :**

**Black to Win**

**Puzzle 235 Ans. :**

15. ...Be5 16.Rxe5Opening the line from f3 to f7. fxe5 17.Qf7+ Kh8 18.Bh6 The white bishop deflects Black's pawn away from protecting the square f6. Opening the line from f6 to h8.
18.Nf5 Rg8 19.Bh6 The white bishop deflects Black's pawn away from protecting the square f6. Opening the line from f6 to h8.gxh6 20.e7 Qe8 21.Qf6+ Rg7 22.Qxg7#
Damiano's knight mate

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Executive Editor: Maisnam Karnajit, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com